## উচেক-ৱায়া কনবা লুপ অমা শেমখ্রে

থৌবাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ ষ্টেট অসিদা নোংম-নোংমগী উ-ৱা কোকশিল্লকপা অমসুং উচেক-ৱায়া মুৎশিল্লক্লিবা অসিবু কন্নবগী পান্দমদা হৌখিবা জুন ১৮ দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক বজারদা ৱাইল্ড লাইফ কঞ্জার্ভেসন টিম, মণিপুর কৌবা লুপ অমা শেমখ্রে। লুপ অসিগী থৌ পুনবা চিয়ারমেনগী ফমদা খাঙেম্বম শ্যামচন্দ্র, জেনরেল সেক্রেটরিদা সুর্জিৎ খুমে দাংবম অমসুং ফাইনান্স সেক্রেটরিদা পিয়ানন্দা লাইশ্রমবু খনখি হায়রি।

## লিগেল এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী স্পোন্সর মখাদা ভিলেজ লিগেল কেয়ার এন্দ সপোর্ট সেন্টর, জি আর সি চনম সন্দ্রোক অমসুং অন্ট্রাটিক ইংলিস স্কুল, য়াইরিপোক অনীনা খুৎশম্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি স্কুল অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অন্ট্রাটিক ইংলিস স্কুলগী প্রিন্সিপাল পি শামোরনা চীফ গেষ্ট, স্কুল অসিমক্কী ভাইস প্রিন্সিপাল এম দি রহিম উদ্দিননা প্রসিদেন্ট অমসুং চনম সন্দ্রোক্কী পারা লিগেল ভলুন্টিয়র এল প্রিয়োকুমার মৈতৈনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## শিন্মীশিংগী ৱাথোক অথুবা মতমদা লোইশিল্লু

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ ইম্ফাল সিটিগী মপু হায়বা অসি ষ্টেটকী নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্টকী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অদুনি হায়নরি। ষ্টেটকী কেপিটেল, দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরস অমদি কেন্দ্রশিংগী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অদুনা মফম অদুবু লুবা-নানবা, য়ুমলৈ-কৈরৈ, ইরম-নালা সেনিটরি সিষ্টেম অমসুং ব্যুটিফিকেসন খুদিংমক মখোয়গী মখুৎতা লৈরি। অসিগুম্বা ম্যুনিসিপালিটি অসিদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিংনা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা শিন্মীশিংনা ফংলিবা সিক্স পে কম্মিসনন্না পীবা পে-স্কেল অদু ফংহনবীয়ু হায়বা অসি শিন্মীশিং অসিগী হকনি হায়না ইন্দিয়ন নেসনেল ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ন নেসনেল ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর ব্রাঞ্চকী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী মফমদা থল্লিবা ৰাফমদি মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটস ফংহনবীদুনা শিন্মীশিংগী হরাউ নুংঙাইহনবা মথৌ তাই। মথৌনা শিন্মী অমনা তৌফম থোকপা তৌহনবা, চাকথুং-ফিথুংনা মান্নদবা হন্থনা পীবা মতমদা হরাউগদৌবা শাউনিংলোইদৌবা কনা লৈবগে। পুম্নমক অসি য়েংলগা লৈঙাক্না ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটি অমদি ষ্টেট অসিগী ম্যুনিসিপালিটি থৌবাল, কক্চীং, ময়াং ইম্ফাল, মোইরাং, নিংথৌখোং, বিষ্ণুপুর, নম্বোল, জিরিবামনচিংবা ষ্টেট অসিগী ম্যুনিসিপালিটি খুদিংমক্কী শিন্মীশিংগী তাল্লিবা দিমান্দ মরম চাবনি হায়না ইন্দিয়ন নেসনেল ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুর ব্রাঞ্চনা লৈঙাক মপুগী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি। ষ্টেট অসিগী লৈঙাক মখাদা লৈবা শিন্মী খুদিংমক্কী মফমদা ইনি দয়াগী শিন্মী অমনা ফংবা পে-স্কেল দি এ অমদি দি আরনচিংবা পেন্সনরশিংনা ফংলিবদু ফংহনবীদুনা লৈঙাক্কী ফজবা মিংচৎ ওইবীয়ু। শিন্মী পুম্নমকসু হেন্না মথৌদা মপুক্লিং চঙদুনা অফবা মণিপুর অমদি অপুনবা ইন্দিয়া অমগী শক্তম শাগৎমিন্নসি হায়খি।

## GAS TODAY

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto-04/05/15
Valid From-27/04/15
**Stk-576 (DBTL only)**
19 Kg commercial Stk-24
Timing-08:00-10:30 a.m
**GBD, LAMLONG**
Booking Upto-28/04/15
Valid From-06/04/15
**Stk-612 DNSC (DBTL)**
Timing-07:00-10:30 a.m
**HRANGCHAL GAS OLD LAMBULANE**
Booking Upto-08/12/14
Valid From-03/12/14
**Stk- 306 (DBTL only)**
Timing-07:30-11:00 a.m
(Including home delivery with one ID Xerox copy)
**IMPHAL LPG SERVICE**
Sl No. Upto - 5350
Booking Upto-13/05/15
Valid From- 02/05/15 **Stk-738 (DBTL customers only)**
**KHONGNANG GAS, NINGTHOUKHONG**
Booking Upto-12/04/15
Valid From- 08/04/15
**Stk- 306 (DNSC)**
Timing-07:00-10:00 a.m.
**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking Upto-10/05/15
Valid From- 05/05/15
**Stk- 612 (DNSC)**
Timing-07:00-11:00 a.m.
**MANIPUR POLICE GAS**
Sl No Upto- 100
Booking Upto-28/04/15
Valid From- 23/04/15 **Stk-306**
Timing-10:00 a.m-01:00 p.m.
**M/S J RONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto-02/06/15
Valid From- 27/05/15
**Stk- 306 (DBTL)**
Timing-06:30-10:00 a.m.
**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto-28/03/15
Valid From- 04/03/15
**Stk- 306 (DBTL Only)**

# ইন্টরনেসনেল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না শিন্দুনা লেটস দিভ্লপ অৱার লাইভস, অৱার কম্যুনিটি, অৱার আইদেন্টিটি ৱিদাউট দ্রগস হায়বা থিমদা ইন্টরনেসনেল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম লাক্লিবা জুন ২৬তা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কদৌরি।

কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল সঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না কুমজা ২০০৬ কী সেপ্টেম্বর ১৮দা লিংখৎলকপদগী লমদম অসিগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা শোকহল্লবশিংবু কন্নবা অমদি হৌগৎলক্লিবা মীরোল কয়ানা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা চোংথখিদনবা মখল মখা কয়াগী এৱের্নেস প্রোগ্রাম, দ্রাইব, স্পোর্টস, কাউন্সেল্লিং, লিগেল এৱের্নেসনচিংবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। ইরমদম অসিগী ময়াই কাবা চীঞ্জাকনা লাকহৎলবা, অকিবা ফংলবা শক্তম অসি কলহৌদ্রবদি নোংমদি শোয়দনা ঐখোয়গী মীরোল অসি পুন্মৎ-মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈবদগী খুন্নাই অসিবু কলহৌনবা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা কাদানা অসিগুম্বা খোঙজংশিংসি চঙশিল্লকপনি হায়রি।

মালেমগী ওইনা অকিবা লৈরবা দ্রগকী প্রোব্লেম অসি মুখৎতুনা দ্রগ ফ্রী ওইবা মালেম অমা ওইহন্নবা পান্দমদা লৈবাক খুদিংনা জুন ২৬ অসিবু ইন্টরনেসনেল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিং হায়না চহী খুদিংগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। চৎলিবা চহী ২০১৫ অসিগীসু জুন ২৬তা মালেমগী লৈবাকখুদিংমক্না থৌরম পাঙথোক্লগদৌরি। কাদানসু মণিপুরগী মফম কয়াদা তোঙান-তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, আর্ম কনফ্লিক্ট লৈবা তংদু-লৈতাদবা খুন্না অসিদা ঙসিদি ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্ল দুনা খুন্নাইগী পুন্সিরোলদগী লাপ্না লৈনবা হোৎনরি। মতম অমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী অকনবা ঈহৌ ইমা মৈরা পায়বীশিংনা চথরক্লবসু ঙসিদি ইমা মৈরা পায়বীশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংখিদ্রে। লমদম অসিদা নোংম-নোংমগী ঈশিং-ঈচাউগুম ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মীগী মশীং থিংঙমদনা হেনগৎলক্লি। লৈকায় অমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদবা মী থিবদা অৰাবা ওইরে। ফিভম অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎপা থেংনদে। অহোইননা মীওই খুদিংমক এদিক্ট ওইশিল্লক্লি।

মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী লৈরিবা গভর্ণমেন্ট এজেন্সিশিং, অচুম-অরান ৰায়েল্লিবা ৰায়েল্লোইশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাকপু লল্লোন ইতিক তৌবা মীওইশিংবু কনখৎতুনা থল্লগদি কনানা মখোয়বু চৈরাক পীগদগে হায়না হংলদুনা লমদম অসিগী মীয়াম ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ চঙশিনবা মতম ওইরে। লৈকায়-লৈকায়দা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বীশিং থোক্লক্তুনা ঐ-ঐগী লৈকায়দা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী অকনবা খোঙজং চঙশিনবা মতম ওইরে হায়রি।

হিরম অসিদা গভর্ণমেন্টগী লোইশঙ ঙাইদুনা লৈরগদি ঐখোয় পুম্নমক মাঙলগনি। মখোয়না তৌদ্রবসু লৈকায়-লৈকায়দগী হৌদুনা থিংলগদি চৈথেং ময়াম অসি খরদং ওইরবসু কনবা ঙমগনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক ললোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিং ঐখোয়না পাড়া তন্দ্রীরসি, মখোয়গী মখাদা ঐখোয় লৈগুমসি। অসুম খঙশিন-উশিন্নদনা লৈরগদি মণিপুরদগী মণিপুরী চহী খরগী মনুংদা শোয়দনা মুৎখ্রগনি। মপালদগী লাকপা মীওই কয়ানা য়ুমলিং-খুল্লিংবা লমদম হায়বদো ওইরগনি। ঐখোয়গী তুংগী মীরোলগী খন্দুনা ইরৈবাক অসি কনমীন্নরসি। জুন ২৫ অসি লমদম অসিদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি মৈরা পায়বী অমদি লন্নাই মীওইশিংনা ঐ-ঐগী ঙমজবা থাক্তা থৌরম পাঙথোকপা মথৌ তাই। মসিনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী কনবা ঙমগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মেদিয়ান শেন্বগী থবক খুদক্তা লেপকদবনি : কে সি পি-পি এম এল

ইম্ফাল, জুন ২৪ ঃ গভর্ণমেন্ট অসিনা অকুৎপদা লৈতৌবা অতোংবদা লৈথোনবগী থৌদৌ অসি লু-তোংদা পক্তুনা লৈখ্রবা পাক হেক থাদোকপা ঙমদনা অদুম্মক লাক্লি। মসিদা কংলৈ মীয়াম্নসু উনা-উনা, খঙনা-খঙনা করিসু হায়জবা ঙমদনা লৈরিবা অসি নৈননিংঙাই ওইরক্লি হায়না কে সি পি-পি এম এলগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-পোইরৈ মৈতৈ লুপ (কে সি সি -পি এম এল)কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মালেমঙানবা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, ইম্ফালগী ময়োল ওইরিবা নিত্যাইপাৎ চুথেক (বি জে পি) ওফিস মমাঙদগী এন ঐচ ১৫০গী ইম্ফালগী টুলিহল এয়রপোর্ট মপা ফাওবগী কিলোমিটর ৬.১৬ শাংবা লম্বীগী মেদিয়ান শেন্বগী থবক কন্ট্রেক্টর অমনা শুবা হৌগৎলিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি। লৈঙাক মপুগী অচানবা মনাইনি তৌনিংবতা তৌগনি হায়বগী নাপলনা মাঙ থাদুনা খোঙ থাংজিল্লিবা কন্ট্রেক্টরবু মথৌ হাপ্লিবা, পি দব্লিয়ু দিগী ওফিসলশিংনা মশানা তৌখিবা অরানবশিং নুমিৎ ৩নিগী মনুংদা শেংদোক্কদবনি। করিগুম্বা শেংদোক্তবা তারদি পি দব্লিয়ু দিগী মথক্তা পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরগনি অমদি লূপকা ৰাখল তামিন্নগদবনি। থবক অসিগী ওইরিবা চৎন-কাঙলোনশিং পাঙথোকপা লোইদুনা তং-তাবা অমা খঙদ্রিঙৈদা থবক শুবা হৌজিনবা হায়বসি মালেমগী মফম অমত্তদা চৎনদে লমদম অসিদসু চৎনবা য়ারোই। লূপনা অথিংবা থল্লিবা থবক অসি শুবা খুদক্তা লেপ্পীদুনা অতোপ্পা শিনফম শিন্থা য়েংবীয়ু নৎত্রবদি লূপনা চথুরকপা খঙলাক-খঙজিল থবক্তা শিন্মী ইচিল ইনাওশিংবু চৈথেং ফংহন্নিংদে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, সেন্ট জোসেপ স্কুলগী ওথোরিটিনা কংলৈ মীয়ামগী ঈহুলবু খঙবীদুনা মেদিয়াগী খুথাংদা ওজা গুরুময়ুম রুপচন্দ্র শর্ম্মবু স্কুলদগী দিসমিস তৌবা হায়বসি স্কুলগী ওথোরিটি অসি নীয়ম নাইনা চৎলি তাকপনি হায়না লূপনা লৌই। মতুং তারকপদসু অসিগুম্বা থৌদোক থোক্তনবা স্কুলগী ওথোরিটিনা কুপ্পা শেন্নবীয়ু হায়রি।

মমা-মপা ওইবশিংনসু করিগুম্বা মাগী মাগী মচা মশুশিংনা তল্লিবা স্কুলদুগী ওজাশিংদা য়ানিংদবা লৈরসু স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমদি ওথোরিটিদা খঙহনগদবনি। মদুদা তাবীদবা, থৌশাবিদবা তারবদি মরী লৈনবশিংদা ৰাকৎকদবনি। ওজা হায়বসি ঈশ্বরগী অনীশুবা মশক্লি, ওজা অমবু মহৈরোয়না ফুবা হায়বসি মহৈরোয়গী দিসিপ্লিনগী ৰাংমদনি। মহৈরোয়গী রাইটপু কন্নবগীদমক লেপ্লিবা মহৈরোয়গী ওর্গনাইজেসন, দেসামনা ওজা জি রুপচন্দ্র শর্ম্মবু ফুরুবগীদমক লৈবাক মীয়াম খঙনা মেদিয়াগী থোঙদা লাল্লে হায়জবা অসিমক মহৈরোয়শিংনা ওজাশিংদা থল্লিবা ঈকাই খুম্নবা অদু মাঙদরি হায়না তাকপনি। মহৈরোয় ওর্গনাইজেসন দেসামনা মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা দেসামগী থৌমী খুদিংমক্লা চেকশিন্না হোৎনবীয়ু অমদি মরা চেৎপা অফবা, তংদু-লৈতাবা খুন্নাই অমা শেম্বদা ঐখোয় খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা পুকচেল শেংনা হোৎনমীন্নসি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# হাওলেনফাইগী খুঞ্জাশিং উ-ৱা য়োন্দুনা শেন্দাল লম্বী ওইহৌরি

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হাওলেনফাই ভিলেজদা উ-ৱাশিং য়ান্থৎলগা য়োন্দুনা শেন্দাল লম্বী ওইরিবা অসি হৌজিক্কী ওইনা থিংবা ঙমদ্রবসু খুঞ্জাশিং তপ্না-তপ্না ৰাখল তারক্লগা লেপখিগনি হায়না ভিলেজ অসিগী চীফ লালখোলুন হাওকিপনা ফোঙদোরকখি।

হন্দক্তা অমজুনা শিন্দুনা মোরে টুরগী মনুং চন্না হাওলেনফাই ভিলেজগী চীফ লালখোলুন হাওকিপকা উন্নরুবদা মহাক্না ফোঙদোরকপদা উ য়ান্থৎপা ফৎতে, উ য়ান্থৎপনা অঙৈং-অশাগী খলদা কায়থরকই হায়বসি হৌজিক্তি খুঞ্জাশিং খঙলকপা হৌরে। উমংদা উ হৌদবদগী শাবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবনি হায়বসিসু তান্নরে। অদুবু পোকপদগী হৈনরক্লবা উ য়ান্দুনা য়োনবা, উ য়ান্দুনা শীং ওইনবা, মৈতান লৌবগী শিনফম ওইদুনা লাক্লবনা পাক হেক থাদোকপা ঙমদবনি।

মহাক্না হায়খি, চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড ইনভাইরোন-মেন্টগী এৱার্নেস থৌরমদা ঐখোয়সু চানে দল হেদ ক্বাটরসদা চৎতুনা শরুক য়ারি। ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেদা কান্নরবা এৱার্নেস কয়া পীরি। চহী খুদিংগী থৌরম অসি য়াওবনা কান্নরবা লৌশিং কয়া ফংদুনা তপ্না তপ্না ৰাখল তারক্কনি খল্লি। উ য়ানবা লেপ্পা হায়বসি হৌজিক্কী ওইনদি খুনসিদা হেক্তা থিংবা নৎত্রগা লেপ্পবা হায়বা হায়বসি য়ারোই। অদুনা এৱার্নেস ফংলবা মতুংদা তপ্না-তপ্না ফরক্কনি। উ য়ানবগী চাং হন্থরক্কনি। মসিদা মীয়াম ৰাখল তাবা ঙাইবা তাবনি।

মণিপুরগী মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবা বোর্দরদা লৈরিবা খুল খুলশিংদা ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে করিনো, করিগীদমক্তা পাঙথোক্লিবনো হায়বসি খঙহনবা মথৌ তারি। ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম খুঙ্গংশিং মরু ওইনা বোর্দর এরিয়াদা পাঙথোকপা চুমগনি। মসিগা লোয়ননা পোল্যুসন থোকহনবদা অচৌবা মতেং পীরিবা পোলিথিন হায়রিবসি মণিপুরদা মরাং কায়না ফংবদা নৎতনা বর্ম্মদগী পুথোরকপা পোলিথিন প্লাষ্টিক অসিনা লৈহাও মাঙহনবগী চাং ওন্দুনা মোরে য়াওনা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা মীৎয়েং চঙদুনা এৱার্নেসকা লোয়ননা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারি হায়খি।

## 'লৌমীগী অৱাবা খঙ্ঙবা লৈঙাকপশিংদা ভোটপীনিংদ্রে'

ইম্ফাল, জুন ২৪ ঃ থৌবাল অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হৌজিক লৌ পরি লিশিং কয়া লৌ পানবা য়াদনা লৈরি। থা অসিগী ১৪/১৫ দা মণিপুরগী লৌফম কয়াদা লৌহোন অমদি পানফেল্ল হুন্নবা থৌরাং তৌরম্বা অদু ঈশিং লৈতবনা হুনবা য়াদনা লৈহৌরি। অমরোমদা, মীয়াম্না ভোটপীরগা থাগৎখিবা এম এল এ, মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরনা লৌমীশিংগী অৱাবা মশক খঙদবনা মীয়ামনা মখোয়দা ভোটপীনিংদ্রে হায়বা ৰাফম লৌমীশিংনা নোর্থইষ্ট দাইলোগ ফোরম (এন ঈ দি এফ) অমদি মেদিয়া য়াওনা কোয়না চৎলুবা ফেক্ট ফাইন্দিং টিমদা ফোঙদোরকখি।

## দীনগী ফমদগী...

*লামায় ১গী মখা...*মীলালনা হোৎনদুনা চহী খরগী মমাঙদা মীতৈ ময়েক্কী সার্টিফিকেট কোর্স হাংনবা তকশিনবদগী মতম অদুগী এম য়ুগী ভি সী ওইরম্বা প্রোফেসার সী অমুবনা অয়াবা পীদুনা তম্নবা লাইরিক খন্দোক্তুনা মতম কয়া য়াম্না তমগদগে হায়না লেপথোক্তুনা চপ চাবা এম য়ুদা লৈরবনি। হায়রিবা ৰাফমশিং অসি এম য়ুগী একাদেমীক কাউন্সীলনসু অয়াবা পীরবনি। অসিগুম্বা তুং কোইগদবা থৌরমশিং অসিদি পায়খৎনবা হোৎনদে। অদুগা কৈথেল নংনবগী মওংদা প্রোফেসার মনীনা হন্দক পাঙথোক্লিবা অসিদি মহাক্কী অরোনবা এজেন্দা অমা য়াওরমগনি হায়বসি শোয়দ্রবা থৌরাংনি হায়বসি এম য়ুগী ভি সীনা খঙজিনবা ফৈ। য়ুনিভর্সিটি অসিগী দীনগী ফম পায়রগা মীতৈ ময়েক্কী ট্রেনিং শীন্দুনা লৈরিবা অসি মীলালনা নোক্লিংবা ফাওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

## স্পেসলিষ্ট ডোক্তরশিং চীংদা...

*লামায় ১গী মখা...*অদুবু শাবদা মতম য়াম্না থিন্থখিবনা মরম ওইদুনা বিল্ডিং অসি শাবা লোইশিল্লকপদা পোৎচৈ মমল হেনগৎলকপগী মতুংইন্না শেনফম হেনগৎলক্তুনা অৱাৎপা শেলশিং গভর্ণমেন্টনা হাপকৎলকপনি। চউরাক্ল লুপা ক্রোর ৯ লোমগী চাংদা চঙখি। ঙসি শঙ্গারিবা বিল্ডিং অসি অয়াম্বা শরুকশিংদি য়েংবদা ফজরে। অদুবু থোঙ-থোঙনাওগী শরুক খরা প্লাইনা পানশিল্লগা লৈরম্বা অসি মতমসিগা চুন্নবা ৰাৎলি। নোংচুরকপা মতমদা থোঙ, থোঙনাও চোৎলকপদা প্লাই ওইবনিনা মতম কুইনা চৎলোই। মসি টিকনা শিন্দোকপা মথৌ তাই। মোরেরোমদগী টিকনা চনবা থোঙ, থোঙনাও য়াম্না মরাং কায়না ফংলিবনি। বিল্ডিং অসি তুং কোইনা চৎনবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই। ঙসি লম্ফেলপাৎতা আয়ুশকী বিল্ডিং অমসু শঙ্গারে। বিল্ডিং অসিগী মেইন এদমিনিষ্ট্রেটিভ বিল্ডিংগী শরুক লোইশিনগদবা খরদি ৰাৎলি। আয়ুশকী বিল্ডিং ঙসি শঙ্গারবনিনা থবক হৌবা য়ারগনি। অনা-লায়েংগী লমদা ডোক্তরশিং অমদি নর্সশিংগী থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। নর্সশিংগী থবক অসিসু অনা-লায়েংবদা অসুক্কী মতিক মরুওই। ডোক্তরশিংনা পীবা হিদাক লাংথক মতম চানা অনাবশিংদা পীজবা, হিদাক কাপকগদবা কয়া লৈরবসু মতম চানা কাপ্পীবগী থবক অসি নর্সশিংনা তৌগদৌরিবনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফুদ সেফ্টি ওফিসারশিং হাপ্লবা থৌরাং তৌরি। মোরে অমদি জিরিনচিংবা মফমশিংদা ফুদ টেষ্টিং ওফিসারশিং লৈহন্দুনা পুশিল্লক্লিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং নীংথিনা চেক তৌবা মথৌ তারে। মোরেদগী পুশিল্লক্লিবা চানবা পোৎলমশিং অসি য়াম্না চেকশিন্না য়েংবা মরুওই। ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটোরিসু ঙসি শঙ্গারবনিনা থবক তৌবা য়ারগনি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফুদ সেফ্টি ওফিসারশিং অমদি মথৌ তাবা ষ্টাফশিং লৈহন্দুনা চীঞ্জাকশিং টেষ্ট তৌবগী থবক নীংথিনা পায়খৎনবা মীৎয়েং চঙগনি। বেঙ্গোলি স্কুল লৈরিবা মফম অসিদা রাম কৃষ্ণ মিসন স্কুল লৈহন্নবা মীৎয়েং চঙবসু হৌরে। স্কুলশিংগী ওজাশিংগী মরক্তা ইম্ফালদা অয়াম্বনা লৈনিংবগী মওং কয়া উবা ফংলি। অসিগুম্বা থৌওং অসি চুমদে হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংনা হায়খি, হেল্থ দিরেক্টোরেটকী বিল্ডিং অসি অপনবা খরা লৈখিবদগী শাবদা মতম খরা থেংথখি। হেল্থ কেয়ার সার্ভিস হায়বসি মীয়ামগীদমক য়াম্না মরুওইবা হিরম ওইবনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। আয়ুশকী হোস্পিটাল অমসু ঙসি শঙ্গারে। ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটোরিসু শাবা লোইদুনা শঙ্গারে। শারিবা বিল্ডিংশিং অসি সেন্ট্রেল টিমশিংনা য়েংশিল্লবা মতুংদা শেনফমশিং থাদোরক্তুনা শাবা লোইশিল্লকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা এম এল এ, এল নন্দকুমার, হিল এরিয়া কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন চালতোলিয়ান অমো অমদি এম এল এ হালপুসু শরুক য়াখি। ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাখিবা তোঙান তোঙানবা বিল্ডিংশিং অদুদি মেদিকেল দিরেক্টোরেট, ইন্টিগ্রেটেদ আয়ুশ হোস্পিটাল, ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটোরি অমদি ষ্টেট ফেমিলি ৱেলফেয়র ট্রেনিং সেন্টরনি।

## ওল্ড এজ পেন্সন থা খুদিংগী...

*লামায় ১গী মখা...* মমাঙদা পায়খৎখিবা পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরাং অদুদি মফম অমখক্তদা পাঙথোকখিবনি। অদুবু অহল ওইরবশিংনা মায়োক্নখিবা খুদোংচাদবা অদু খরমখৈ কোকহন্নবগীদমক হন্দক্তি এ সী অসিগী মফম অনীদা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখিবনি। মথং মফম অহুমদা অমুক য়েন্থোক্লগনি মসিনা অহলশিংনা হেন্না খুদোংচাবা ওইগনি। ওল্ড এজ পেন্সনগী পীরিবা শেনফম অসি য়াম্বদি নত্তে। অদুমকপু করিগুম্বা শেনফম খরা লেপ্তুনা ফংজরবদি অহলশিং অসিনা তৌজনিংবা খরদং ওইরবসু শোয়দনা পেন্না তৌজবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। খোঙচৎ অদুদা এম এল এনা অহল খরদসু মখোয়-মখোয়গী পেন্সনগী শেনফম খুৎশিন্নখি।

## এৱার্নেস প্রোগ্রাম...

*লামায় ১গী মখা...*অলসারিনা হায়খি, মোরেল সেন্স অমদি দ্যুটি ৰাৎলকপনা ঙসিগী জেনরেসন্দা ক্রাইম মখল কয়া থোরক্লি। খুন্নাই অসিবু অফবা মায়কৈদা পুরক্নবগীদমক ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না মোরেল সেন্স অমদি থৌদাং খঙমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা এম এস এফকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ সেরাজউদ্দিন, এম এস এফকী এদভাইজর উদোই লুৱাং, এম এন কে এলগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্র, অমাক্সুগী প্রসিদেন্ট শ্যামকুমার, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি এস ঐচ হেমন্তা অমদি সোসিএল ৱার্কর সী সী মৈতৈনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## ময়াং ইম্ফাল পাৱার সব-ষ্টেসন...

*লামায় ১গী মখা...* পুলিস ষ্টেসনগী মীওই খরা লাক্লগা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ট্রান্সফোর্মর অসিগী ফোটোনচিংবসু কাপখ্রে। মসিগীসু মথক্তা এম এস পি দি সী এলগী এস সীনা লুচিংবা ওফিসিএল টিম অমসু থৌদোকসিগী মতাংদা হকথেংননা লাক্লগা য়েংশিনবতা নত্তনা মীয়ামগী ৰাফমসু তাখ্রবনি। চৈরক অসিদা ঙরাং ইখঙ-খঙহৌদনা লাইনমেন থোইববু সস্পেন্দ তৌরে হায়বা পাউ মীয়াম্না তান্নরকখিবনি অমদি ট্রান্সফোর্মর অদু শেন্বা লোইরবা ফাওবদা মৈ পীবীদনা থল্লকপনি।

অসিগুল্লবা এম এস পি দি সী এলগী থৌওং অসি পেন্দদুনা ময়াং ইম্ফাল পাৱার সব-ষ্টেসন অসি থিংজিনবনি। কম্পেনি অসিনসু অথুবা মতমদা মীয়ামদা মৈ ফংহল্লু অমদি লাইনমেন থোইবা সস্পেন্দ তৌবগী ওর্দর খুদক্তা রিভোক তৌ। করিগুম্বা মীয়াম্না থল্লিবা ৰাফম অসি থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি পাৱার সব-ষ্টেসন অসি মীয়াম্না থিংজিনখিগনি। লোয়ননা দিপ্যুটি মেনেজর কুঞ্জো খুদক্তা ট্রান্সফর তৌখিগদবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ময়াং ইম্ফাল পাৱার সব-ষ্টেসন অসিগী গেট মমাঙদা খোঙজং চঙশিল্লিবী নুপীশিংনা ফোঙদোরকপদা, মীয়ামদা মৈ ফংহন্দবা অসিগী মতাংদা কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী এম এল এসু ওইরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টরদা পাউ পীখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা মীয়ামদা মৈ ফংহন্নবা মহাক্না হকথেংননা য়েংশিনবীদে হায়নসু পেন্দবা ফোঙদোরকখি।

MBBS IN RUSSIA
Direct Admission without Donation & Commission 2015-16
BELGOROD STATE UNIVERSITY, MEDICAL FACULTY
Recognised by MCI - WHO & English Medium - Duration 5.8 years
Rs 1.40 L for Admission Procedure, Visa & Airticket Delhi to Institute.
(www.raieducation.com)
Rs 18 L only Package for Completed Course on 12 Times Instalment
72 Manipuri Boys & 51 Manipuri Girls are studying at this Institute.
Special Offer : IMF - DEL Flight Ticket for 7 seats only.
Pliz Contact: M. Inaobi Singh (Trusted-Partner, R.O.E.S India)
Shamurou Mayai Leikai Ward No. 5, opp. Shamurou Kangjeibung
# 9612277401 / 9612294036
HL-B/2581/25/6 - 15/7



কাংপোকপীদা এম এল এ নেমচা কিপগেননা চহী ৮০ অমদি মথক্কী বেনিফিসরিশিংদা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকপা

# কুমগী নোং ৱাৎপদগী লৌমীশিং লৌ উবা য়াদনা লৈরিবা ফিবম য়েংশিন্নবা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ ষ্টেট অসিদা নোং চুবগী চাং ৱাৎপদগী লৌউ-শিংউগী থবক্তা অপনবা থোক্লিবা অসিগী মতাংদা মণিপুর লৌমী লূপনা শিন্দুনা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি ইৱাবত ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট এন মঙ্গি, লূপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন সিংহজিৎ, সেক্রেটরি ঐচ ইবোবী, লূপ অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এস নিলাকমল অমসুং হান্নগী লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বিজোয়না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা ৱারেপশিংসু লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি কেনেল তৌবা লোইদ্রিঙৈদা লোইরে হায়দুনা কুমজা ২০১০দা সোনিয়া গান্ধীবু শঙ্গাহনখিবা খুগা মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট সি বি আইদা শিন্নদুনা ইনক্বারি তৌহনবগা লোয়ননা লোইশিন্দ্রিবা শরুক লোইশিনহনবা, মাইনর ইরিগেসনগী মখাদা লৈবা আর এল আই স্কিমশিংদা পীরিবা দিজল পম্প অমসুং ইলেক্ট্রিক মোটোরশিং অথুবা মতমদা শেমজিনবা অমদি হৌজিক লৌ উদ্রিবশিং অসিদা ইলেক্ট্রিক মোটোর শীজিন্নদুনা ৱার ফুটিংদা লৌবুক্তা ঈশিং পীহনবা, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা অতেনবা মতমদা লৌ পান্নবা ফৌদি অমদি হারনচিংবা মথৌ তাবা মচাকশিং ফঙহন্নবা শিনবা, লৌমীশিংগীদমক্তা ক্রোপ্স ইন্সুরেন্স স্কিম মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগীদমক্তা য়াওবীদুনা ফৌথোক ৱাৎলবা ষ্টেট অসিগী লৌমীশিংগী পুন্সি কল্লু হায়বশিং ৱারেপ অদুদা য়াওরি। করিগুম্বা দিমান্দশিং অসি পীদবা তারবদি অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারগনিসু হায়রি।

মীফম অদুদা মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট এন মঙ্গিনা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা মীশীংগী চাদা ৮০দি লৌমীনি। অমদি নোংগী ঈশিংনা লৌ উদুনা লাক্লি। চাউখৎপগী খোঙথাংদা সোর্স অমদগী ঈশিং লৌদুনা লৌ উবা হায়বসি ফংদনা লৈরি। ঙসি ফাওবদা চুরিবা নোংগী চাংসি মিলিলিটর ৩৪০.৪৯ ওইরি। ষ্টেট অসিদা চহী অমদা চুপ্পদবা নোংগী চাং অসি মিলিলিটর ১৪৩৫.৬০গী চাংদা নোং চুরগা লৌ উবনি। হৌজিক জুন থাসিদা নোং চুবগী চাং মিলিলিটর ২৪০.২০ ওইগদবদা মিলিলিটর ১৮.১ খক্তমক ওইরি হায়খি।

ইন্দিয়ানা মনিং তম্লবা মতুংদা মণিপুরদা ইরিগেসনগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা হৌরে। মখোয় অদুদি সেকমাই বরেজ, খুগা দাম, লোক্তাক লিফ্ট ইরিগেসন, শিংদা দাম মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট অমসুং কৈথেলমানবী ব্রিজনি। অদুবু মসিগী কান্নবা ঙসি ফাওবদা লৌমীশিংনা ফংবা ঙমদ্রি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, কুমজা ২০১০দা সোনিয়া গান্ধীনা শঙ্গাখিবা খুগা মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট অসি লুপা ক্রোর ৪০০ চঙনা শাখিবনি। মসিনা লম হেক্টর লিশিং ১৫দা ইরিগেসন পীবা, এস এম জি পি রো ৱাটরদা মৈ মেগাৱাট ১.৭৫ জেনেরেট তৌবা হায়দুনা শাখিবনি। অদুবু দাম অসিগী কিলোমিটর ৬০ শাংবা য়েৎথংবা মেইন কেনেল অসিনা কিলোমিটর ৫ খক্তদা ঈশিং পীরি। মসিগী মরমদি কেনেল তৌবা লোইদবদগীনি।

হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসি নিংথিনা শেমগৎতুনা লৌমীশিংদা মতম চানা ঈশিং ফংহন্নবা মমাঙগী পি এম মনমোহন অমসুং হৌজিক্কী এন দি এগী পি এম নরেন্দ্র মোদিদা কয়ারক হন্না মেমোরেন্দম পীরবসু তাবীদ্রে। য়েংশিনবা থাখ্রে, য়েংশিল্লি, পায়খৎলক্কনি হায়বা নৎতনা থবক অমত্তা উবা ফংদে। অদুনা প্রোজেক্টশিং অসি রিভাইস তৌনবা অমসুং রিমোদেল তৌদুনা লৌমীশিংদা ঈশিং ফংহন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু হোৎনগদবনি হায়খি।

## সপরমৈনাদা ট্রক ১ মৈ থাখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* অনী, আলু বেগ ৫১, চনম বেগ অনী, খোঙউপ বোড়া অমা, থবী বোড়া অমা, ভেলন্দ্রি বোড়া অমা, কারোত বোডা অমা, ঙা বোক্স অহুম, খামেন অশিনবা বোক্স অহুম য়াওরি।

গাড়ীদগী চিংথহৌরিবা পোৎচৈশিং অদু ব্লোকেদকী খোঙজং হেক হনে দাকখিবগা শিন্নগনি হায়না মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি। তুংদা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা লাক্তুনা পোৎচৈ চিংথরিবশিং থিংনবা হোৎনখি। মদুনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্তবা থোকখি। মীয়াম্না চিংথহৌবা পোৎলমশিং অদু নুংথিলগী পুং ৩.৩০ তাবদা পুলিসনা পুলিস ষ্টেসন্দা পুরগা চৎখি।

অমরোমদা, কাউন্টর ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং শৌগৎলদুনা সোসল দিবেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন পল্লেল অমসুং য়ুথ ভোল্যুন্টিয়ার ওর্গনাইজেসন পল্লেলগী থৌমীশিংনা পল্লেল কৈথেলদা ফোঙনা থোরক্তুনা ওটোরিক্সো অমদি অতৈ মখল কয়াগী গাড়ীশিং চেক তৌদুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা পুশিনগদবা পোৎলমশিং পুশিন্দনবা থিংখি। চিংথহৌবা পোৎলমশিং ব্লোকেদ লোইরবা তুংদা মপু-মপুনা লৌরবা য়াগনি হায়খি। চথরিবা অটসুমগী ব্লোকেদ অসি হেক হনে দাক্ত্রিমখৈ চান্দেললোমদা পোৎচৈ পুশিনবা য়ারোই হায়রি।

## এদিসনল সী এস রাম মুইভা...

*লামায় ১গী মখা...*নেসনল গেমসকী মতমদা থবক নীংথিনা তৌবগী কমেন্দেসন সার্টিফিকেট পীদুনা ঈকাই খুম্নখি। কুমজা ২০০৪ দা কলম্বোদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বেঙ্ক কনফরেন্সতসু রাম মুইভা শরুক য়াখি। মপান লৈবাক কয়াদসু তোঙান-তোঙানবা ট্রেনিং কয়া চৎলুরে হায়নসু পাউসিনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ২৫-০৬-২০১৫, শাগোলশেন, ইঙেনগী ৪ নি পানবা, অয়ুক্কী পুং ০৫.২২ দগী ৯নি পানবা লৈগনি, যোগীনি মায়কৈদি চিংখৈ, অয়ুক্কী পুং ০৫.২২ দগী নোংপোক

*মেষ ঃ* মীনা পাউথোকপা, নুংনাংবা লৈরবসু কান্নবা লৈগনি, লন চঙবা, নুংঙাইবা মতাংনি।
লল্লোল ইতিক ঃ ঈশিংগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংনাংবা পোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

*বৃষ ঃ* মরুপ মপাং চাউথোকপা, অকি-অখং লাকপা লৈ, শাউনিংবা লাকপা, অনৌবা মীওইদগী মতেং ফংগনি।
লল্লোল ইতিক ঃ সনা-লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা তাথীবা, শাউনবা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

*মিথুন ঃ* লৈতাফম খঙদবা, নুংনাংবা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা, শেল চৎপা লৈগনি।
লল্লোল ইতিক ঃ চানবা পোৎতা কান্নগনি, চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মরৌ লৈবা, ৰাহে পুখবা মতাংনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

*কর্কট ঃ* ইমুংদা নুংঙাইজবা, লোইনবা মখা থাবগা শাউনবা, নীংজবা থুংবা, কান্নবা লৈগনি।
লল্লোল ইতিক ঃ হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লোক অমদা কৈ অনী কুনবগুম্বনি, পুক্লিং তপথবীয়ু।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা-চন্দন।

*সিংহ ঃ* ইচিল-ইনাওদগী মুক্রবা পীরকপা, মরুপ্পা য়েক্লবা ওইবা, ৰাখল লৌশিং ফগৎপা লৈ।
লল্লোল ইতিক ঃ অচা-অথক্কী পোৎলম কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্তনা অমা ঙাঙথোকপনা অমা ওইগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।

*কন্যা ঃ* মরুপ্পা চানবীবা, থবক তৌবদা চানিং তাদবা, য়েংশিনবা য়াম্বা, অনৌবা পাউ লাক্কনি।
লল্লোল ইতিক ঃ হিদান্নবা লৈগনি, শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্লিং চেৎশিন্নবা মতাংনি।
হকচাং ঃ পুক নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, ঘী।

*তুলা ঃ* ৰাখল নুংঙাইতবা, মরী মতাগী নুংঙাইতবা পাউ লাকপা, মীনা নুংশিবীবা ওইগনি।
লল্লোল ইতিক ঃ চাউখৎপা, মৈগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৰাখল ফাওরকপা, নুংঙাইজবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, ঘী।

*বৃশ্চিক ঃ* শাউনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, য়ুমদা লৈনিংদবা, চৎপদা নুংঙাইজবা, শেল চৎপা লাক্কনি।
লল্লোল ইতিক ঃ ঈশিংগী পোখোক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ মায়, মীৎ নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

*ধনু ঃ* মীৱা-মৈশা লৈবা, লাংতক্লবা, পন্দুনা লৈবা থবক পাঙথোকপা ঙম্বা লৈগনি।
লল্লোল ইতিক ঃ শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা মরুপ ফংজবা লৈ।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাঙবা, লৈ অঙাঙবা।

*মকর ঃ* নুংনাংবা লাকপা, কাঙলুপ মান্নদবা মীওইদগী অয়েৎপা লাকপা, শেল চৎপা লৈগনি।
লল্লোল ইতিক ঃ মীয়ামগী থবক থৌরমদা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাগৈ-নাতৈনা পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

*কুম্ভ ঃ* অৱা নুংঙাই য়ান্নগনি, মীনা পাউথোকপা, অরংবা পোৎ, লৌরী য়ুম্ফম লেপ্পা ঙম্বা লৈ।
লল্লোল ইতিক ঃ ফিরোলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

*মিন ঃ* নিংদোন পোম্বা লৈ, মখা থাবা মীওইদগী ঈকাইবা নংবা, খোইশাউনবা পীবা ওইরি।
লল্লোল ইতিক ঃ শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা, ৰাখল খেন্নবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।